## এক্সট্রাদিসনগী ৱারী শানরি

কলম্বো, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সি) :
দোলর মিলিয়ন ৭৪ হেনবগী ট্রেজরি বোন্দ স্কামগা মরী লৈননা শ্রিলঙ্কাগী হান্নগী সেন্ট্রেল বেঙ্ককী গভর্নর অর্জুনা মহেন্দ্রনবু ৱায়েল মায়োক্লহন্নবা থারকপা য়ানবগীদমক্তা শ্রিলঙ্কানা সিঙ্গাপোরগা হৌজিকসু ৱারী শান্নরি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হান্নগী প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপলা শ্রিসেনানা খুৎয়েক পীখিবা এক্সট্রাদিসন দোক্যুমেন্টশিং হৌখিবা চহীদা সিঙ্গাপোরদা লৈবা শ্রিলঙ্কন হায় কম্মিসন্না আইলেন্দ সিটি-ষ্টেট অসিগী ওথোরিটিদা শীন্নখ্রবনি।

## এদিটর বেল পীখ্রে

ধকা, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সি) :
বাংলাদেশকী পাউচে অমনা শীন-লাংদুনা লৈবাক অসিগী স্কুল অমদা ফঙ্কসন অমা পাঙথোক্লিংঁৱে মনুংদা মৈনা চিংদুনা মহৈরোয় অমা শিখিবগী কেসতা লৈবাক অসিগী কোর্ট অমনা পাউচে অদুগী এদিটরদা চয়োল মরিগী বেল পীখ্রে। এদিটর মাটিয়ুর রেহমন বেলগী মতমদু লোইবগা ধকা চীফ মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টতা সরেন্দর তৌগদবনি।

## ‘য়ুক্রেনগী প্লেন সোর্ট-রেঞ্জ মিসাইল অনীনা পানখিবনি’



টেহরান, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সি) :
থা অসিগী ৮দা টেহরান্দগী পাইখৎখিবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা কায়খিবা য়ুক্রেনগী পেসেঞ্জর প্লেন অদু সোর্ট-রেঞ্জ টি ও আর-এম ১ মিসাইল অনীনা পানখি হায়না ইরানগী সিভিল এভিএসন ওর্গনাইজেসন্না ফোঙদোকখ্রে।

ট ও আর-এম ১ মিসাইল অনী অৱাং থংবা মায়কৈদগী প্লেন অদুদা কাপশিনখি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ষ্টেট মিদিয়া রিপোর্টনা ওর্গনাইজেসন অদুগী খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্ট পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মিসাইলশিং অদুনা করম্না প্লেন ক্রাস অদু থোকহনখিবগে হায়বগী মতাংদা অমসুং মিসাইল ত্রাজেক্তরিগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথুরি। পেসেঞ্জর ১৬৭ অমসুং ক্রু মেম্বর ৯ তোংবা য়ুক্রেন ইন্টরনেসনল এয়লাইন্সকী ফ্লাইট পি এস ৭৫২ অদু পাইখৎখিবা মতুং টেহরানগী ইমাম খোমৈনৈ এয়রপোর্টকী মপান্দা পাইখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতুং নুমিৎ হুমি লৈরগা ইরানগী আর্মদ ফোর্সেসনা প্লেন অদু ইস্লামিক রেভোল্যুসনরি গার্দস কোরগী মরু ওইবা মিলিটরি সাইট অমগী মনাক য়ৌশিল্লকখিবা হোষ্টাইল টার্গেট অমনি হায়না লান্না লৌবদগী মিলিটরিনা কাপথখিবনি, শোয়বদগী থোকখিবা থৌদোক অমনি হায়না ইরানগী আর্মদ ফোর্সেসনা কনফার্ম তৌখি।

সিভিল এভিএসন ওর্গনাইজেসনগী দিরেক্টর জেনরেল হসন রেজাইফারনা কায়খ্রবা এয়রলাইনর অদুগী ব্লেক বোক্সশিং হৌজিকসু ইরান্দা লৈরি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা মতুংদা ইনৌ নৌবা খোঙথাং অসি লাকখিবনি।

প্রেস টিভিনা রেজাইফারগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, ইরানদা কায়খিবা য়ুক্রেন প্লেন অদুগী ব্লেক বোক্সশিং এগজামিন তৌনবা ঐখোয়না হোৎনরি। য়ুক্রেন অমসুং ফ্রান্সনা ঐখোয়গী মথংগী ওপসনশিং ওইগনি।

জন্যুৱারী ৩ দা ইরাক্কী কেপিটেল বাঘদাদতা অমেরিকান দ্রোন অমনা ইরানগী মেজর জেনরেল কাসিম সোলৈমানি হাৎখিবগী লমন খুন্বা ওইনা ইরান্না ইরাক্তা লৈবা য়ু এস ট্রুপরশিং থল্লিবা মিলিটরি বেজ অনীদা মিসাইল কাপশিনদুনা এটেক চথুখিবা নুমিত্তুমক্তুদা য়ুক্রেনগী প্লেন কায়বগী থৌদোক অসি থোকখিবনি।

## কুমজা ২০১৯ দা জর্নেলিষ্ট ৫৬ হাৎখি : য়ু এন




য়ুনাইটেদ নেসন্স, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সি) :
কুমজা ২০১৯ দা জর্নেলিষ্ট ৫৬ হাৎখি অমসুং মখোয় অয়াম্বা কনফ্লিক্ট জোনশিংগী ৱাংমদা শিখি হায়না য়ু এন স্পোক্সপর্সন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এন সেক্রেটরি-জেনরেল এন্টোনিও গুতরেসকী স্পোক্সপর্সন ষ্টফান দুজারিক্কা য়ুনেস্কোগী ফিগরস পল্লদুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোখিবা ৱাফম পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়, চহী অসিদা হাৎখিবা জর্নেলিষ্টশিংগী মশিং অসি মমাংগী চহী ২০১৮ দগী তঙ্খায় অমরোম হন্থে। তৌইগুম্বসুং জর্নেলিষ্টশিং হাৎপদা চেন্নরিবশিংগী মায়োক্তা লোগী ওইবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখত্তুনা মখোয়বু চৈরাক পীবদি লৈতে হায়বা য়াই। হাৎখিবা জর্নেলিষ্টশিংগী মশিং অসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ুনেস্কোনা ফোঙখিবনি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১০ দগী কুমজা ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা পুন্না জর্নেলিষ্ট ৮৯৪ হাৎখি। মসি চহীগী ওইনা চাংচৎতা ৯০ নি। মশিং অসি কুমজা ২০১৯ দা ৯৯ ওইখি। জর্নেলিষ্টশিংবু মালেমগী লমদম খুদিংমক্তা হাৎখি।

## হান্নগী ইন্টরপোল চীফ চহী ১৩ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে



বৈজিং, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সি) :
মশানা য়ুৱান মিলিয়ন ১৪ হেনগী ৱানোমশেন চাখিবগী মরাল য়াজখ্রবা ইন্টরপোলগী হান্নগী চীফ মেং হোং ৱেবু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চাইনিজ কোর্ট অমনা চহী ১৩ মখায় জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

মশাগী চহী ৫৬ শুরা মীওই অসিদা টিয়াঞ্জিন নম্বর ১ ইন্টরমিদিয়েট কোর্টনা য়ুৱান মিলিয়ন ২ (দোল্লর ২৮৯,৫০০) কী ফাইন অমসু থিনবা ওর্দর তেখি হায়না বি সী সীগী রিপোর্টনা হায়রি। ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা মেংনা আপিল তৌবা য়ারোই হায়নসু কোর্টকী রুলিং অদুদা পনখি।

ইন্টরপোলগী অহানবা চাইনিজ হেদ ওইরিবা মেং হৌখিবা জুনদা চথুখিবা ৱায়েল অদুগী অহানবা হীয়ারিংদা মহাক্কী ফম অদুগী খুদোংচাবা লৌখি হায়না মরাল শীখি।

কুমজা ২০১৫ দগীনা কুমজা ২০১৭ ফাওবদা মহাক্না পায়খিবা তোঙান তোঙানবা ফমশিংগা মরী লৈনবা পৱার শীজিন্নদুনা মহাক্না বিজিনেস অমসুং ইন্দিভিজ্যুএল কয়াবু লোনা য়াদবা মওংদা শেন্দোং চাওনা তানবা ঙমহনখি হায়রি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মেংনা পব্লিক সিক্যুরিটিগী ভাইস মিনিষ্টর অমসুং চাইনাগী কোষ্ট গার্দকী হেদকী ফমশিং পায়খি অমসুং মহাক্না লোনা য়াদবা মওংদা য়ুৱান মিলিয়ন ১৪.৪৬কী লন-থুমশিং তানশিনখি হায়না প্রোসিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখি।

সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না মেংনা মহাক্কী অরোইবা ষ্টেটমেন্টতা মশাগী মরাল য়াজবগা লোয়ননা অরানবা কয়া তৌখিবদুগীদমক্তা নুংনাংবা ফোঙদোকচখি।

হান্নগী ইন্টরপোলগী মকোক অসিনা চথুখিবা করপসনগী থবক থৌওং কয়াগী মতাংদা পাঙথোকপা ইনবেষ্টিগেসন অমা লোইশিল্লবা মতুং সুপ্রিম পিপলস প্রোক্যুরেটরেটনা মেংবু ৱানোমশেল চাওনা চাখি হায়না মরাল শীখিবা মতুং থা অমা হেন্না কান্নরগা ট্রাইয়েল অদুগী অহানবা হীয়ারিং পাঙথোকখিবনি।

চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা হৌখিবা সেপ্তেম্বরদগী হৌনবী মতুং ইন্না মরাল অমত্তা শীবা তৌদনা অরোনবা মফম অমদা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা মেংগী মায়োক্তা প্রোক্যুরেটরেটনা হৌখিবা চহীগী এপ্রিল ২৪ দা ওফিসল এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা ইশ্যু তৌখিবনি।

## চাইনাগী প্রেসরগী মতাংদা টাইৱানগী প্রসিদেন্টনা পোপতা ৱাকৎখ্রে

টাইপৈ, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সি) :
বৈজিংনা ক্লেম তৌরিবা টাইৱান্দা চাইনানা পীরক্লিবা প্রেসরগী মতাংদা ইথৎ অসিগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেন্না পোপ ফ্রান্সিসতা ইদুনা ৱাকৎখ্রে। চাইনানা টাইৱানগী দিমোক্রেসি অমসুং ফ্রীদমদা অকিবা পীদুনা লৈরে হায়রদুনা ৱাকৎখিবনি হায়রি।

ভেটিকান অসি টাইৱানগা দিপ্লোমেটিক মরী থম্নবা লৈবাক ১৫ খক্কী মনুংদা অমনি। য়ুরোপকীনা অমত্তা ঙাইরবা টাইৱানগা মরী থম্নবা লৈবাক্নি। তৌইগুম্বসুং ভেটিকান্না বিসোপশিং খনবগী মতাংদা কুমজা ২০১৮দা মরু ওইবা পেক্ট অমা পুরকখিবা মতুংদা চাইনাগা মহৌশাগী ওইবা মরী থম্ননবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলকখিবদা টাইৱান্না নুংনাংলিবনি।

সাইনা টাইৱানবু হৌনবী মতুং ইন্না মনিং মখা তম্না লৈহনবা পাম্মী হায়না থাজরিবা চাইনানা ইথৎ অসিগী প্রসিদেন্ট অসিদা প্রেসর হেন্না পীনবা হোৎনরক্লিবনি। বৈজিংগী মায়োক্তা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌবগা লোয়ননা থা অসিগী অঙনবদা পাঙথোকখিবা ইথৎ অসিগী প্রসিদেন্টগী মীখলদা ৱেন্না অমুক চাওনা মায় পাকখি।

সাইনা হায়রি মদুদি, টাইৱান অসি ওফিসল ওইনা রিপব্লিক ওফ চাইনা কৌবা নীংতম্বা লৈবাক অমনি। পোপ ফ্রান্সিসনা জন্যুৱারী ১ দা ৱর্ল্ড পিছ দেগা মরী লৈননা পীখিবা মেসেজ অমগী পাউখুম ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা প্রসিদেন্সিএল ওফিসনা রেলিজ তৌখিবা সাইনা পোপতা ইখিবা লেট্টর অদুদা টাইৱান্না চাইনাগা লৈনরিবা খেৎনবা ৱাফমশিং ঈংনা চিক্লা ৱারোইশিন পুরকপা য়াগনি থাজে পনখি।

অদুমওইনমক হৌজিক্কী ওইবা দাইলোগতি অরুবা খুরৌ কয়া মায়োক্লদুনা লৈরি হায়না পল্লদুনা সাইনা ইখি মদুদি, নাকল অনীগী মরক্তা খ্বাইদগী মরু ওইবা য়ানদনা লৈরিবা ৱাফমদি চাইনানা টাইৱানবু কন্ট্রোল তৌনিংবগী ৱাখল্লোন হৌজিক ফাওবা থাদোক্তনা লৈবগী মওং অসিনি।

টাইৱানগী মায়োক্তা মিলিটরি ফোর্স শীজিন্নগনি হায়রদুনা, অরানবা পাউ শন্দাক্তুনা, সাইবর এটেকশিং চথদুনা দিপ্লোমেটিক পান্থৈশিংগা লোয়ননা চাইনানা টাইৱানগী দেমোক্রেটিক ফ্রীদমশিং অমসুং হ্যুমেন রাইটসতা মখা তানা অকিবা পীদুনা লৈরি হায়না প্রসিদেন্ট ৱেন্না মখা তানা লেট্টর অদুদা ইখি।




## ‘সাউথ কোরিয়ানা হোর্মুজ ষ্ট্রেটতা লান্মী থারগনি’

সিওল, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সি) :
ষ্ট্রেটেজিক ঈশিং লম্বী ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ ফাওদুনা চৎলিবা সাউথ কোরিয়াগী ভেসেলশিং ঙাকশেনবদা মতেং পাংনবা লৈবাক অসিনা লমদম অদুদা ট্রুপ কয়া থাদুনা মনাক নক্লা দিপ্লোই তৌরিবা এন্টি-প্রাইরেসি য়ুনিটকী ওপরেস্নেল এরিয়াশিং চাওথোকহল্লগনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

অদুমওইনমক সাউথ কোরিয়াগী ফোর্সশিং অসি য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন্দা য়াওরোই। তৌইগুম্বসুং মনিং তম্না ওপরেসন কয়া পাঙথোক্কনি হায়না দিফেন্সি মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

খোঙথাং অসিনা সিওলনা টেহরানগা লৈনরিবা মরী লুনা লৌই অমদি ৱাশিংটন্না ইরানগা নক্লবা ঈশিংগী শরুকশিংদা চথবা কেম্পেয়নদা মতেং পাংনবা হায়জববুসু তাই হায়বসি উৎলি হায়না য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।



দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, মিদল ইষ্টতা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদু খন্নরগা গভর্নমেন্টনা মতম খরগী ওইনা চিয়োংগে য়ুনিটকী ওপরেস্নেল এক্তিভিটিশিং হেন্না চাওথোকহন্দুনা মীয়াম্বু খুদোংথিবদগী কন্নবা অমদি ঐখোয়গী ভেসেলশিংগী নেভিগেসনগী নীং তম্বদা অকায়বা থোকহন্দনবা ৱারেপ লৌরে।

কুমজা ২০০৯ দগী সোমালিয়াগা তাইনবা গল্ফ ওফ অদেলদা এন্টি-পাইরেসি মিসন অমা ওইনা লৈরকখিবা ট্রুপ ৩০০ য়াওবা চিয়োংগে য়ুনিটকী মিসন এরিয়াশিং হেন্না চাওথোকহন্দুনা গল্ফ ওফ ওমান অমসুং পর্সিয়ন গল্ফ য়ৌহল্লগনি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী রোটেস্নেল ট্রুপশিংগী ৩১ শুবা বেজকা লোয়ননা টন ৪৪০০ গী দিষ্ট্রোয়র ৱাং গিওনগী থৌদাং হৌরগনি হায়রি।

## ম্যান্মারগী প্রসিদেন্টনা ৱার ক্রাইমশিং থিজিল্লগনি হায়না থাজবা পীখ্রে

য়াঙ্গোন, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সি) :
রখায়ন ষ্টেটদা ৱার ক্রাইমশিং চথুখিবশিং প্রোসিক্যুট তৌনবা ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসনশিং চথগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট ৱিন মিন্টনা চেকশিন্না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিপেন্দেন্ট কম্মিসন ওফ ইনক্বাইরিনা রিকমেন্দেসনশিং পীরকখিবা মতুংদা প্রসিদেন্টনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইফে ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়, কুমজা ২০১৭ দা ম্যান্মারগী মিলিটরি অমসুং অরাকান রোহিঙ্গা সালভেসন আর্মি (অর্সা)গী মরক্তা থোকখিবা কনফ্লিক্ট অমগা মরী লৈননা রখায়ন ষ্টেটতা মিলিটরিনা চথুখিবনি হায়বা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদোকশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা প্রসিদেন্টকী ওফিসনা কুমজা ২০১৮ গী জুলাইদা কম্মিসন অদু লীংখৎখিবনি।

ৱিটনেস ১,৫০০ রোম ইন্টরভিয়ু তৌরবা মতুংদা ফোঙবা লমায় ৪৫০ হেন্না পনবা অমসুং রিকমেন্দেসন ২২ য়াওবা রিপোর্ট অদুনা অর্সানা কুমজা ২০১৭ দা চথুখিবা এটেকশিং অমসুং মতুং তারকপদা ম্যান্মারগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথুখিবা মিলিটরি কেম্পেয়ন এনালাইসিস তৌখি। কম্মিসন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রসিদেন্ট ৱিন মিন্টতা মখোয়গী ফাইন্দিংস শীন্নখি।



কুমজা ২০১৭ দা মুস্লিম রোহিঙ্গা মাইনোরিটিগী মীওই অয়াম্বনা ৱার ক্রাইমশিং অমসুং মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী শাথিবা থৌওং কয়া মায়োক্লখি হায়না কম্মিসনগী রিপোর্ট অমদা পনবগা লোয়ননা ম্যান্মার মিলিটরিগী থৌওংশিং অদু কাঙলুপ অমবু মুথৎনবা হোৎনবনি হায়বা ৱাফম্বুদি রিজেক্ট তৌখি।

ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসনশিং মখা তানা চথবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়বা কম্মিসনগী রিকমেন্দেসনশিং প্রসিদেন্টনা য়ারে হায়না প্রসিদেন্টকী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট মনা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৭ গী মিলিটরি ওপরেসন অদুনা মরম ওইদুনা রোহিঙ্গা ৭৪০,০০০ হেন্না বাংলাদেশতা চেন্নখিবনি।


### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

**Ref :- Mut. Case No. 18 of 2020**

1. Yumnam Manglemjao Meitei S/o (L) Meina Singh of Oinam Awang Leikai.
2. -do- Pramo Leima W/o Y. Manglemjao Meitei of -do- -Applicants

-Vs-

(L) Yumnam Meina Singh S/o (L) Ningthemjao Singh of Oinam Awang Leikai. -O.P. Pattadar

ꯆꯩꯊꯣꯡ / **NOTICE**

Oinam, the 20th January, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুন নং ৩০-ওইনামগী পাট্টা নং ৩০/৯৪১ (অনৌবা), দাগ নং ৫৮০, এরিয়া একর ০.১০ চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারি অনীনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মখোয়গী মমীংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুং লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/6027/22 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Oinam**

### OFFICE OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL

**Ref :- Mut. Case No. 48/AS&SO/TBL, dt: 17-1-2020**

Maibam Sarat Singh S/o (L) Manao Singh of Kiyam Siphai Babu Bazar.

-Vs-

Maibam Manao Singh S/o (L) Megha Singh of Kiyam Siphai.

ꯆꯩꯊꯣꯡ / **NOTICE**

Dt. the 21/01/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২২-কিয়াম সিফাইগী মনুংদা লৈবা পাট্টা নং ৯৯১ (অরিবা), ৫০৬ (অনৌবা), দাগ নং ২০৬৪, ২১৩৭ অপুনবা এরিয়া ০.২৯৭০ ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত্যু ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মহাক্কী মচানুপাদা নামা পানবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ অসিদগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা য়েৎপীরবা য়াগনি। নত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
HL-P/6022/22 Assistant Survey & Settlement Officer,Thoubal

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

**Ref :- Mut. Case No. 20/SDC/IW/LC of 2020**

1. Laishram Malika Devi W/o (L) L. Kalamu Singh of Haorebi
2. Laishram Prakash Singh S/o (L) L. Kalamu Singh of Haorebi - Applicant

-Vrs-

(Late) Laishram Kalamu Singh S/o (L) L. Tamphajao Singh of Haorebi. - Opp.

ꯆꯩꯊꯣꯡ / **NOTICE**

Lilong Chajing, the 21st January, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি এস দি সী লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুন নং ৭২ - হাওরেবীগী অরিবা পাট্টা নং ৪, অনৌবা পাট্টা নং ২৭৬/৫৯৫, দাগ নং ১৫/৭৮৬, এরিয়া ০.২০ একর চাউবা অমদি দাগ নং ৫১৫/৭৯০, এরিয়া ০.২০ একর চাউবা ইঙ্খোল অপুনবা ০.৪০ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার লাইশ্রম কালামু সিংহ পীং মৃ: থম্বালজাও সিংহ সাং হাওরেবী হায়রিবা মীওই অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী দাগ নং ৫১৫/৭৮৬, এরিয়া ০.২০ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিনা পিটিস্নর নং ১গী মীংদা নামা পানবীরো অদুগা দাগ নং ৫১৫/৭৯০, এরিয়া ০.২০ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিনা পিটিস্নর নং ২গী মীংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা কনাগুম্বা/কনাগুম্বীনা ইঙ্খোল অসিগী মরীদা আপতি তৌনীংলবদি ‘নোটিশ’ অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মশানা লাকপীদুনা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা আপতি তৌরদ্রগদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Lilong Chajing Imphal West**
HL-P/6019/22

### ꯇ꯭ꯔꯥꯟꯁꯐꯔ/ থাগৎপা ফোঙদোকচরি
### ওজা KABIRAJ ABDUL HAK পু

ঐ মতম শাংনা পাইলসনা নৈহৎতুনা অৱাবা খাঙদুনা লাকখি। লায়নাগী লায়ওংশিংদি :- মরক মরক্তা খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, চেকখায়রগা থুপ্পা, চিকপা, শাবা, শৌজগী অকোয়বদা মকুপ-মকুপ লৈবা, শৌজগী মনুংদা পোম্বা, ইনখৎত্রি ফাওবা চঙদবা, শোকপা মতমদা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বদা লিকপা, মপূং ফাবা ঙমদবা, খ্বাং নাবা, গ্যাষ্ট্রিক, চাবা তুমদবা, চানীংবা পোক্তবনি অদুবু ওজা কবিরাজ Abdul Hak, Contact No. 8014623756, 879442968 দা চৎতুনা তানজবদগী হীদাক চাদুনা শুপ্পগী নুমিৎ ১৮নিদা অনাবা, অৱাবা পূম্নমক কোক্লে। অনাবা লৈতবগুম তৌরে। ওজা অবদুলবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30 - 4:30 p.m.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10 am to 4 pm)

*থাগৎচরিবা :* **H. Khelen**
HL-P/5907/22 Thangmeiband Yumnam Leikai

